## কম্প্যুটর সেটশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএন এস): রেদ সিল্ড দিভিজনগী সেনাপতি বৃগেটকী মীৎয়েং মখাদা জ্বালামুখি বট্টালিয়ন্না মীয়ামগীদমক্তা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ওপরেসন সট ভাবনাগী মখাদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোলকোন হায়স্কুলদা কম্প্যুটর সেট অনী য়েন্থোকখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## নুপী মরুপনসু শৌগৎখি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর নুপী মরুপকী লোকেল এরিয়া পূন্নমক্তা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী মায়োক্তা কৌখিবা বন্দ অমসুং সিট ইন প্রোটেষ্টকী মীফমশিংদা শরুক য়াখি হায়না লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট এম সখিনা ফোঙদোরক্লি। সেকমাই এরিয়া কম্মিটি, ওল মণিপুর নুপী মরুপনা শীন্দুনা লোইতাং খুনৌদা সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোকখি। মফম অদুদা লম্বী থিংদুনা মাইক শীজিন্নদুনা খোঙজং চঙশিনখি। সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার অমদি কে ঐচ জুগেশ্বরনা বিল অসিগী মরমদা ৱা ঙাঙখি। ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ভলন্টিয়রশিংনা থৌবাল ৱাংমা তাবা থোংখোং, ময়াং লাংজিং, খুম্বোং, নম্বোল, ককচীং কৈথেল, মোইরাং কৈথেল, বিষ্ণুপুর কৈথেল, খুরাই লমলোং, লমলাই, উরিপোক নাওরেমথোং, চীংমৈরোং, শগোলবন্দ, মোইরাং লৈরক, লাংজিং অমসুং তাকয়েলনচিংবা মফমশিংদা খোঙজং চঙশিনখি হায়রি।

## মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএন এস): লৈবাক্কী ওইবা ফীভম্না মরম ওইদুনা প্রধান মন্ত্রি মাতৃ বন্দনা যোজনা (পি এম এম ভি ৱাই) পোসন অভিয়ান অমসুং মহিলা শক্তি কেন্দ্র (এম এস কে) স্কিমগী মখাদা কন্ত্রেক্ট এমপ্লোয়ীশিং লৌনবগী এপ্লিকেসন ফোর্ম সবমিসন তৌবগী অরোইবা নুমিৎ লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর জসপ্রিট কোরনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# সী এ বিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএন এস): লোক সভাদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ পাস তৌখ্রবা মতুংদা করি তৌরক্কদগে হায়বসি মুন্না য়েংদুনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কনি হায়না জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন অসাম মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী ভাইস প্রসিদেন্ট আর চন্দ্র হাওমৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কৈশামথোং কবুই কাইলোংনা শীন্দুনা মণিপুর পিপল এগেনষ্ট সী এ বি ২০১৬কী মতাংদা কৈশামথোং কবুই খুলগী ৱাকৎ মীফম ফমখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখি-বদা মণিপুরগী নিংথৌ কয়াগী হাক্তক্তগী ইরৈচা য়েলহৌমীখক্তা লৈনবা লাঞ্জং কয়া চত্থরকখ্রবা মণিপুরনি। কুমজা ১৯৪৯দা ইনিংথৌ বোধচন্দ্রনা মর্জর এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক তৌখিবদগী ইনিদয়াগী মখাদা লৈরে। অদুবু ইন্দিয়ানা মণিপুরবু তোঙানবা মীৎয়েং অমদা য়েংদুনা লাক্লিবনি।

সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌরবদি নোর্থ ইষ্টতা অকায়বা লাক্কদবা অসিনা মরম ওইদুনা ঙসি মফম কয়াদা পাক শন্না বিল অসিগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগী খোঙজং চঙশিল্লি। ইন্দিয়ানা নীংখা তমদ্রিঙৈদা বৃটিশকী মতমদগী হৌনা মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইরিঙৈদা ইনিদয়াদগী চেনখিবা ময়াম অদুবু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মাইনোরিটি তাদুনা ইন্থোরকপা মতমদা ইন্দিয়াদা চঙশিনবা য়ানবগীদমক্তা শিল্লকপা লৈঙাক্কী থৌওংনি। বিল অমা ওইনা চৎনহল্লগদি এমেন্দমেন্ট এক্ট অমখক পাস তৌরগা লো অমা ওইনা চলাইনবা বাংলাদেশ, পাকিস্টান অমসুং আফঘানিষ্টান্দগী চঙশিল্লকপশিং অদু মীতোপ ওইনা লৌখিবা কয়া অদু হঞ্জিল্লকপা মতমদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটতা ওইনা অয়াম্বা টার্গেট তৌরি। মরু ওইনা মণিপুরগী নিংথৌ কয়াগী হাক্তক্তগী য়েলহৌমীখক্লা লৈননবগী লাঞ্জং কয়া চত্থরকখ্রবা মতুংদা মণিপুরনা থেম্বাং কয়াদা নুপীলাল থোক্তুনা লাকপা অসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা অমসুং মণিপুরগী এসেমব্লিদা পুখৎপা য়ানবা এক্ট ওইনা ইমপ্লিমেন্ট তৌহল্লোইদবনি, সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিনা এক্ট ওল্লক্লবদি লোন্না চঙলকপশিংনা মণিপুর মীয়াম অসি খুদুম চনখ্রগনি। লোয়ননা পেন্দবদগী মণিপুরদা লৈরিবা কাঙলূপ ফুরুপ খায়দনা হৌজিক ঐখোয় মশেল পূনশিল্লগা মণিপুর কন্নবা খোঙজং চঙশিনবনি হায়রি।

সী এ বি ২০১৬ অসি রাজ্য সভাদা পুথোকখিবদা করি ওইরক্কদগে হায়বা খঙদ্রি। করিগুম্বা এক্ট ওইনা চৎনখিবা তারবদি ইন্দিয়াগী মখাদা লৈতনবগী খোঙজং ফাওবা চঙশিন্নবগী ফিরেপ লৈরে। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্না পূন্না চঙশিনমিন্নসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা ষ্টোপ অর্যান ইনভেনসন টুৱার্দস নোর্থ ইষ্ট, ৱিথদ্রো সী এ বি ২০১৬ ফ্রোম নোর্থ ইষ্ট হায়বনচিংবা প্লে কার্দশিং শীজিন্নখি হায়রি।

অমরোমদা, য়াইস্কুল ৱিমেন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না শীন্দুনা সী এ বিগী মায়োক্তা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা য়াইস্কুল ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী সেক্রেটরি শান্তিবালা লৈমপোকপমনা ফোঙদোকখিবদা লোক সভাগী অপূনবা সিট ৫৪৫কী মনুংদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ এলাইন্সকী পূন্না এম পি ৩০৫ লৈ। বি জে পিনা মশীং য়াম্বা কাঙবু ওইবনা বিল অসি লোক সভাদা য়াম্না লায়না পাস তৌখিবনি। বি জে পিনা বিল অসি এক্ট ওন্দুনা চৎনহনবা পাল্লিবগী মরমদি কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীখলদা হিন্দুশিংগী ভোট ফংনবগীদমক্তনি। মণিপুরগী মীয়াম্না কৈদৌনুংদা খোঙফম হন্দাক্লোই। মীয়াম পূম্বা বিল অসিগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপন্নিরসি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়, এম দি য়ু হোল লৈরক, য়াইস্কুল ওইল পম্পনচিংবদা লৈবা মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়াখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অৱাং নোংপোক্তা চৎনবা য়ারোই, বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়ারোই হায়বনচিংবা স্লোগান কয়াসু লাউখি।

## অসামদা খুন্দারিবা মীতৈশিংগী চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌফম থোক্লে : এম ৱাই এফ এ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএন এস): অসামগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী মায়োক্তা লেপ্তুনা য়েলহৌমী কন্নবগীদমক অকনবা খোল্লাউ লাউমিন্নরসি হায়না মণিপুরী য়ুথ ফ্রন্ট, অসাম (এম ৱাই এফ এ) না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী য়ুথ ফ্রন্ট, অসামগী সেক্রেটরি জেনরেল ওক্রম লক্সমিকান্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, পূন্না খোল্লাউ লাউমিন্নদ্রবদি য়েলহৌমীগী মায়োক্তা লৈবা বাংলাদেসিশিংনা খুদুম চনখ্রগনি। মখোয়গী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

সী এ বি অসি কম্যুনেল ওইবা অমসুং ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি। বি জে পিনা পোলিটিকেলগী ওইবা কান্নবা লৌনবগীদমক্তা বিল অসি পাস তৌবা পাল্লিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মতম অমদা সিলচর লোক সভাগী মীখলদা কোংগ্রেসকী সন্তোস মোহন দেবনা মণিপুরীশিংগী ভোট মথৌ তাদে হায়না হায়খিবদগী মতম অদুগী লোক সভা মীখলদা বি জে পিগী মীহুৎ রবিন্দ্র পুকৱা কাখিবনি। মরম অদুনা মণিপুরীশিংগী পোলিটিকেলগী থৌওং চত্থরিবশিংনা খঙজিনগদবদি বরাক তম্পাক্তা খুন্দারিবা মণিপুরী ভোটরশিংসু অচৌবা ফেক্টর অমনি। মরম অসিনা মণিপুরীশিংনা মশাগী কান্নবা থাদোক্তুনা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপমিন্নসি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরী লুচিংবশিংনা নাট, কলচর লোন অমসুং য়েলহৌমী কন্নবগীদমক্তা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপমিন্নরসি। নৎত্রবদি ত্রিপুরাগুম্না মণিপুরগী ফিভমসু ওইরক্কনি হায়রি।

বিল অসিগী মায়োক্তা লেপত্রবদি মশাগী কান্নবগীদমক পোলিটিক্স তৌরিবনি হায়না মমৈদা খন্নগনি। মরম অদুনা অদুগুম্বা পোলিটিক্স অদুতুং কোয়বা য়ারোই। বিল অসি অসাম অমদি অৱাং নোংপোক লমদগী য়াম্না শোক্লিংঙাই ওইবা অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা বিলনি হায়রি।

বি জে পি অমদি আর এস এসনা অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিংবু হিন্দু বাংলাদেসিশিং পুশিল্লক্নবা য়েলহৌমীশিং মুখৎখিদুনা হিন্দু বাংলাদেসিনা পান্নবগী লাল্লোংনি। তৌইগুম্বসুং বি জে পি অমসুং আর এস এসনা শীল্লিবা লাংলোং অসি কৈদৌঙৈদা মায় পাকপা ঙল্লোই। মরম অদুনা অসাম অমসুং অৱাং নোংপোক্কী য়েলহৌমী অমদি মহৈরোয়শিংনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনমিন্নরসি। অসামগী মণিপুরী লুচিংবশিংনা মীখলদা মীরেপ ওইনীংবা তারবদি হৌজিক বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্পীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দস দে পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচ এন এস): ওল লোক্তাক লেক এরিয়াজ ফিসরমেন য়ুনিয়ন মণিপুরনা (এ এল এল এ এফ য়ু এম) গা ষ্টেট ৱেটলেন্দ ওথোরিটি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর পি আর দি এ, আই পি এন্দ আই এন টি সী ঐচ মণিপুর চেপ্তরগা পূন্না শীন্দুনা ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দস দেগী থৌরম লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২দা লাঙ্গোলশাবী চম্পু খাংপোক ফ্লোটিং ভিলেজ লোক্তাক্তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

লোক্তাক ৱেটলেন্দস ফোর অৱার ফ্যুচর জেনরেসন হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসি মালেম পূম্বা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দস দে থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদবনি। লোক্তাক ৱেটলেন্দ অসি কুমজা ১৯৭১গী রমসার কনভেন্সন ওফ ৱেটলেন্দগী মখাদা রমসার লিষ্টতা চনবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৯০দা মালেমগী ওইনা মরুওইবা ৱেটলেন্দশিংগী মরক্তা অমা ওইখ্রবনি হায়রি।

কুমজা ১৯৯৩দগী হৌদুনা মোন্ত্রেক্স রেকোর্দতা চন্দুনা মফম অসিগী ইকোলোজিকেল কেরেক্টর কয়া অসি অহোংবা লাক্লে হায়না ফোঙদোরক্লখ্রবনি হায়না ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী মহুৎ শিন্দুনা ও রাজেন্না ফোঙদোরক্লি।

## কে সী পিগী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩১ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্যান্দো অমদি ৬ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ ফোর্সনা লংথবাল এরিয়াদা লম্বীদা অচৎ-ওওকশিং চেক তৌবদা কে সী পি (নোয়োন) কাঙবুগী কাদর অমা ফারে। ফারবা কাদর অদুগী মমিংনা লাইশ্রম বিক্রম এলিয়স মাইপাক (২৪) অপোকপা এল সান্ত কৌই। মহাক উরুপ লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবনি। মহাক লুপ অসিগী মশানা মশাবু সর্জননি হায়জবা লেম্বা মোইরাংচাগী মখাদা থবক তৌবনি হায়রি। মহাক কুমজা ২০১৮কী এপ্রিল থাদা ম্যান্মারগী তনানদা নুমিৎ ৪৫ রোম বেসিক ট্রেনিং তৌরুরে। মহাক্কী আর্মি নম্বর ৫৪৭ নি। অদুগা বেটচনা ২৬ শুবনি হায়রি। মহাক মখা তানা ৱাহংপাউহংবা চত্থনবা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।




## থৌবালদা স্পার্শ লেপ্রোসি এৱার্নেস কেম্প্যেন ২০১৯ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩১: নেসনেল হেল্থ মিসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি, নেসনেল হেল্থ মিসন থৌবাল অমসুং নেসনেল লেপ্রোসি ইরাদিকেসন প্রোগ্রাম থৌবালনা পুন্না শিন্দুনা স্পার্শ লেপ্রোসি এৱার্নেস কেম্প্যেন, ২০১৯ ঙরাংদগী হৌদোকখ্রে।

থৌবাল ৱাঙমতাবা সি এম ও ওফিস কম্পেক্সতা লৈবা এন ঐচ এমগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থৌবাল মিন্যুসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ১৫ গী কাউন্সিলর নিঙথৌজম শান্তিনা অথোইবা মীথুং, দিষ্ট্রিক্ট ফেমেলি ৱেল্ফিয়র ওফিসর থৌবাল ডা. কেএস ঐচ মেমচানা থৌরম মপু অদুগা নেসনেল লেপ্রোসি ইরাদিকেসন প্রোগ্রাম থৌবালগী রিটায়র্ড (এন এম এস)টি শামুনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী অথোইবা মীথুংনা শরুক য়াখিবশিংনা মহাত্মা গান্ধীগী ফোটোদা লৈশু কত্নুনা অমদি মিনট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায়খুম্নবসুঙংখি।

থৌরম অদুগী নুঙগী ওইবা ৱারোল পিরদুনা দিষ্ট্রিক্ট লেপ্রোসি ওফিসর থৌবাল ডা. কে ঐচ হোমেশ্বরনা হায়, লেপ্রোসি হায়বা লায়না মখল অসি ঙল্লিনৈ মতমদা খঙদোকহৌদুনা লাইয়েংহৌরবদি লাইয়েংবা ঙম্বনা অসি পাঙথোকপনি। লায়না মখল অসি ঙন্না খঙদোক্তুনা ঙন্না লাইয়েংহৌনবা অমদি লেপ্রোসি লায়নানা নারবা মীওইশিংবু মীয়াম্না হন্থনা খনবীবা, নোক্নবীবা কয়া অদু তৌদনবা মীয়ামদা লৌশিং ৱাখল তামিন্ননবা, লায়না অসি মুখৎপদা মীয়াম হুপ্না শরুক য়াহন্নবগীদমক কেম্প্যেন অসি পাঙথোক্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱাঙাঙলোই ওইখিবশিংনা লেপ্রোসি লায়না থেংননবগীদমক পায়খৎলক্লিবা স্পাস লেপ্রোসি এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন অসি মায় পাকহন্ননবা মীপূম খুদিংমক্না হোৎনমিন্নবা চঙইহায়নসু ফোঙদোক্লখি।

## ষ্টেট অসিগী এন আর সী অমসুং পোপ্যুলেসন কম্মিসন লীংবা তঙাইফদে : মেসিয়া

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএন এস): মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক পূম্নমক মীতোপশিংনা মশীং হেনগৎলকপদগী ওইরকপা ঙাক্তনি হায়না মৈতৈ য়ুথ ফ্রন্ট, সাউথ ইষ্ট এসিয়া (মেসিয়া) না ফোঙদোরক্লি।

মেসিয়াগী প্রসিদেন্ট এন জি মঙাল মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মাইগ্রেন্ট অমদি ইমিগ্রেন্ট কয়ানা মায়কৈ কয়াদগী চঙলক্তুনা খুন্দা লৈতাশিল্লকপা অসিনা খুন্নাই অসিদা পীরকপা অচৌবা শাফু অমা ওইরক্লে। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না বাউন্দরি ফেন্সিং খাদবা লমদম অসিগীদমক নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স অমদি পোপ্যুলেসন কম্মিসন লীংলগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকপা অসি তরাম্না ওকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু নুংশিরবদি মীয়ামগীদমক এন আর সী অমদি পোপ্যুলেসন কম্মিসন য়াম্না থুনা থবক হৌহনগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

শম্বল খাদবা ইন্টরনেসনল বোর্দরদা লৈবা অমদি বাংলাদেসি মুসলিমশিংগী ক্রাইসিস লৈবা য়ূমথংনবা ষ্টেটশিংগা তাইনবা মণিপুরনা য়াম্না চেকশিন্না দেমোগ্রাফিক বেলেন্স তৌদ্রবদি খুন্নাই অসিগী ইস্যুশিং অসি য়েলহৌমীশিংগী পুন্সিরোলদা খম থেংনা হন্থহনগনি। মীরমদগী হাইজিল্লকপা মীতোপ-শিংনা মণিপুরগী লৈঙাকলোন্দা খূৎথিংজিল্লক্তুনা ফুরুপচাশিংগী মরক্তা পামদবা থৌদোক থোক্লক্কবগী অচৌবা মচাক অমা ওইরকই হায়রি।

অসিগুম্বা পোলিটিক্স অসিগীদমক মণিপুরদা এন আর সী অমদি প্লান্নিং কম্মিসন য়াম্না মথৌ তাই হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবনি। চীফ মিনিষ্টরনা হীরম অসিদা অকনবা প্রেসর পীফম থোকই। মীতৈ অমদি লৈহৌমী চীংমীশিংনা ফংলিবা দেমোগ্রাফিক ইমবেলেন্সকী চৈথেং অসি খঙবা সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসন-শিং, এন জি ওশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং, লুচিংবশিং অমদি ইরমদম অসিগী লূপ ময়ামনা অৱাবা অসি কোক্লবা পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়রি।

মীতৈ ফুরুপ অমদি পুৱারীগী অৱাবা কোক্কদবা ওইবা খোঙথাং থাংজিনবা হৌরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। মণিপুরদা খুন্দারকপা মীতোপশিং অসি করম্বা মতমদগী লৈরকপনো, কমদৌনা লাকই, কনানা পুরকপনো হায়বসি খঙহন্নবা পোপ্যুলেসন কম্মিসন লীংদুনা লমদমগী অসি বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা খঙগদবনি। ইস্যু অসিদগী কন্নবা মীতোপ অমদি লোগী ৱাংমদা চঙশিল্লকপা মীওই পূম্নমক পাড়া তম্বীবগী তাঞ্জা অসি লৌসি হায়না মেসিয়ানা আপিল তৌরক্লি।

মৈতৈশিংনা ফুরুপকী পোলিটিক্স য়াওদনা অশানবা মীৎয়েংদা থবক তৌদ্রবদি মেসিয়ানা উরিবশিং অসি শোয়দনা থোক্লগনি। মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি মীতৈনা কন্দনা মালেমগী মীওই অমত্তনা কনগদবা নত্তে হায়নসু ফোঙদোরক্লি। সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী ইস্যু অসি নোর্থ ইষ্টতা চুনদে হায়বা ৱাখল্লোন অদু মেসিয়ানা লৌই। লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা মতুং রাজ্য সভাদা পাস তৌনবা হোৎনরকপদা রাজ্য সভাগী মেম্বর অনীমক্না মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা থবক তৌবিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

রাজ্য সভাদা পাস তৌরবদি ঐখোয় করম্বা ঈহৌ মখা তানা চঙশিনগনি হায়বদু লেপথোকপা তাই। মেসিয়াগী ওইনদি মণিপুর শোক্তনবা তুংগী কায়দনবা অখন্নবা ক্লোজদি শোয়দনা হাপকদবনি হায়বসিনা মপূং ওইবা দিমান্দ ওইগনি। য়ানীংদবা ফোঙদোক্লিবা সী এ বি অসি রাজ্য সভাদা পুথোরক্তনবা পূন্না চঙশিনমীন্নসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## উয়াল ৱাটর সপ্লাই স্কিমনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী অহানবা পুং ২৪ ঈশিং পীবা ওইরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩১ (ঐচএনএস): ৱাংবল গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা উয়াল ৱাটর সপ্লাই স্কিমনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী অহানবা পুং ২৪ মীয়ামদা ঈশিং পীবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম ওইরে হায়না ঙসি ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসলশিংনা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী ওইনা পুং ২৪ ঈশিং পীবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অহুম লৈখ্রে। উয়ালগী অসিনা মণিপুরগী ওইনা মরিশুবা ওইরে। অতোপ্পা অহুম অদুদি, ইম্ফাল ইষ্টকী হরাওরৌ, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাইখোং অমদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মাতিজাংনি।

ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি উয়াল ৱাটর সপ্লাই স্কিমনা শীন্দুনা ঙসি উয়াল মখা লৈকায়দা লৈবা পঞ্চায়ট ঘরদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা স্কিম অসি পুং ২৪ মথৌ তৌরে হায়না লাউথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ সূর্যকুমারনা হায়, উয়াল ৱাটর সপ্লাইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ইহান হানবা পুং ২৪ ঈশিং পীবা ঙম্বা স্কিম ওইবসি নুংঙাইবা ফাওই। দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং অমদি খুলগী মীয়াম্না পূকচেল চাওনা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনবা অদুনা মসি ঙম্লকপনি। ভিলেজ ৱাটর সেনিটেসন কম্মিটিগা মীয়ামগা অফবা মরী থম্বীয়ু। পুং ২৪ ঈশিং তারে হায়দুনা অরেম্বদা ঈশিং মাঙহনবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা থৌবাল পি ঐচ ঈ দিভিজনগী ঈ ঈ তোম্বীনা ফোঙদোকখিবদা, পুং ২৪ ঈশিং পীবা হায়বসি দিপার্টমেন্টকী অখন্নবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা পায়খৎলকপা খোঙথাংনি। শীজিন্নগদৌরিবা মীয়ামগসু কুপ্না খন্নমিন্নবা লৈরে। মীয়াম্না অরেম্বদা ঈশিং মাঙহনবীগনু। পাইপশিং অসি পুং ২৪ ঈশিং থল্লগা লৈগদবনা মফম অমদা লিক ওইরবদি মায় পাক্লোইদৌরিবনি। ইশা-ইশানা চেকশিন্না শীজিন্নবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ এঞ্জিনীয়র স্বামিকান্তনা ফোঙদোকখি, উয়ালদা পুং ২৪ ঈশিং পীবা হৌরিবা অসিগী মতুংদা খুল অসিদা প্লাষ্টিক ফ্রী ওইনবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী থৌরাংসু পায়খৎলগনি। লূ-নান্‌বা খুল অমা ওইনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ৱাংবল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ঐচ মনিচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

## ফেব্রুৱারী ১৫ ফাওবা কোমথোক্লে : লূপশিং

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩১ (ঐচএনএস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদকী ওফিস মতম কক্তুনা থোঙ থিংজিনগনি হায়না তৌরম্বা অদু জিরিবাম এ সীগী এম এল এনা মৈরা পায়বী ইমাশিংদা থবক পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীবদগী ফেব্রুৱারী ১৫ ফাওবা কোমথোক্লে হায়না ৱিমেন এসোসিএসন ফোর সোসিও ইকনমিক দিভলপমেন্টকী প্রসিদেন্ট এন নিভারানীনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

জিরি ন্যুজ নেটৱার্ককী প্রেস কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা নিভারানীনা হায়খি, বোরোবেক্রা সব-দিভিজনগী মেনেজর কে জয়ন্তকুমারবু জিরিবামদগী লিতালদা ট্রান্সফর তৌখিবা অদু ষ্টে তৌগদবনি হায়না ঙসি ফাওবা মতম পীখি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙলক্তবদি ফেব্রুৱারী ১ দগী এম এস পি দি সী এল ওফিস থোঙ থিংগনি হায়না তৌরম্বনি। এম এল এগা ৱারী শানবদা য়ানবা পুরকপদগী ফেব্রুৱারী ১৫ ফাওবা খোঙজং হন্দোক্লে। মতম অসি ফাওবগী মনুংদা থবক তৌরক্তবদি জিরিবামগী সী এস ওশিংনা পূল্লগা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা জিরিবাম ৱিমেন এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট জিনী, ৱিমেন এসোসিএসন ফোর সোসিও ইকনমিক দিভলপমেন্টকী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই রাগিনী অমদি ৱিমেন ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক জিরি মশা লোইশঙগী জেনরেল সেক্রেটরি হিজম চন্দ্রবালাসু শরুক য়াখি।


**PMKVY-TRAINING NOTICE**

FORMS ARE AVAILABLE AT THE CENTER FOR THE JOB-ROLES

1. DATA ENTRY OPERATOR - X PASSED
2. ORGANIC GROWER - V PASSED
3. PLUMBER GENERAL - V PASSED

LATE DATE 05/02/2019

Sd/- Elite Centre, Thangmeiband
Lairenhanjaba Leikai
# 9774447218/9366261928

HL-P/3360/ 30, 31 to 1, 2, 3, 4, 5 Feb.

**URGENT REQUIREMENT**

| Post | Nos | Sex | Qualification |
|---|---|---|---|
| Manager | 3 | M/F | BBA/MBA/M.com/BSW/BHR |
| MIS Officer | 4 | M/F | DCA with 1 year experience |
| ANM / GNM / B.Sc Nursing | 50 | F | Fresher applicable |
| ACCOUNTANT | 4 | M/F | B.COM with Accounting knowledge |
| FIELD ASSISTANT | 10 | M | XII PASS |
| RECEIPTION / CR | 4 | F | XII PASS |

Candidate are request to submit their resume on an before 10 feb. 2019
Ph.No: 9366943343
Sd/-
M/s Shri Krishna Health Care Service
Rims road, near M.M. Gas Service

HL-P/3357/29/1-4/2


## সী এ বিগী মায়োক্তা অপূনবা ওর্গেনাইজেসন ৬৬না কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী শক্তমশিং

